## ‘মথংগী গ্লোবল সাইবর-এটেক নিংথৌকাবা নুমিৎতা চথরকপা য়াই’

লন্দন, মে ১৪ : হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা মালেমগী কম্প্যুটর সিষ্টেম ১২৫,০০০ হেন্না শোকহনখ্রবা মতুংদা অতোপ্পা সাইবর এটেক অমসু চাউনা চথরকপা য়াবগী চিংনবা লৈরে অমসুং মদু নিংথৌকাবা নুমিৎতা থোক্লবা য়াই হায়না সিক্যুরিটি রিছার্চর অমনা নোংমাইজিং নুমিৎতা চেকশিন-ৱা হায়খ্রে। ইরাই নুমিৎকী রেন্সমৱেয়র এটেক অদু হেন্না পাকথোক চাউথোকহন্দনবা তৌবদা মতেং পাংখিবা য়ু কেগী সিক্যুরিটি রিছার্চর ‘মেলৱেয়রটেক’না অতোপ্পা সাইবর এটেক অমসু চথরকপা য়াবগী মওং লৈরে অমসুং তান চারবদি মদু নিংথৌকাবা নুমিৎতা চথরকপা য়াই হায়না প্রিদিক্ট তৌখ্রে’ হায়না বি বি সিনা ফোঙদোক্লি। য়ুজরশিংগী ফাইলশিং কন্ত্রোল তৌখিবা ভাইরস অদু স্পেন, ফ্রান্স অমসুং রসিয়া য়াওনা লৈবাক ১০০ দা শন্দোকখি। ইংলেন্দদা নেসনল হেল্থ সার্ভিসকী ত্রষ্ট ৪৮ এটেক অদুগী ভিক্টিমশিং ওইখি।

# ইম্মান্যুঅল মেক্রোন ফ্রান্সকী প্রসিদেন্ট ওইনা ৱাশক লৌখ্রে

## ওলান্দনা মীয়াম্না খ্বাইদগী পাম্নদ্রবা প্রসিদেন্ট ওইনা ওফিস থাদোকখ্রে

পেরিস, মে ১৪ :

মে ৭ কী মীখলদা চাউনা মায় পাকখ্রবা মতুংদা পেরিসতা লৈবা এলিজী পেলেস প্রসিদেন্সিয়ল রেসিদেন্সতা পাঙথোকখিবা নিংথিরবা ৱাশক লৌবগী থৌরম অমদা সেনত্রিষ্ট ইম্মান্যুঅল মেক্রোননা ফ্রান্সকী প্রসিদেন্ট ওইনা ৱাশক লৌখ্রে।

নোংমাইজিং নুমিৎতা ১৮শুবা চহীচাগী পেলেস অদুদা ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুগীদমক্তগা থুংলবগা মশাগী চহী ৩৯ শুরবা হান্নগী ইনভেষ্টমেন্ট বেঙ্কর অমসুং ইকনমি মিনিষ্টর মেক্রোননা হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভমগী মতাংদা ওফিস থাদোক্লগদবা সোসিয়েলিষ্ট প্রসিদেন্ট ফ্রান্সুআ ওলান্দগা উনখি। মখোয়নিগী প্রাইভেট মীটিং অদুদা ওলান্দনা নৌনা ৱাশক লৌগদৌরিবা মেক্রোনদা ফ্রান্সকী ন্যুক্লিয়র মিসাইল লোঞ্চকী কোদশিং শিন্নবগী ৱাফমসু য়াওখি।



মেক্রোননা অনীশুবা লাঞ্জাউ মতুংগী ফ্রান্সকী খ্বাইদগী নহা ওইরিবা লীদরনি অমসুং প্রসিদেন্ট চার্ল গোলনা মঙাশুবা রিপব্লিক চৎনহনখিবা চহী কুমজা ১৯৫৮ গী মতুংদা পোকপা অহানবা প্রসিদেন্টনি।

কন্সটিট্যুস্নেল কাউন্সিলগী চেয়রমেন অমসুং হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর লাউরেন্ট ফাবিয়সনা মীখলগী রিজল্টশিং লাউথোকখিবগা লোয়ননা মেক্রোননা ওফিসল ওইনা প্রসিদেন্ট ওইবা হৌখিবনি। রাউন্দ অনী লৈখিবা মীখল অদুদা মেক্রোননা ফার রাইট মারিন লি পেনবু মায়থীবা পীখি।

ফ্রান্সুআ ওলান্দনা মহাক্কী কুমজা ২০১২ গী প্রসিদেন্সিয়ল কেম্পেন্যনদা ইম্মান্যুঅল মেক্রোনবু মহাক্কী তেংবাঙলোয় অমা হাপখিবা মতমদা মহাক্না মহাক্কী মতুংদা প্রসিদেন্ট ওইগদৌরিবা মীওই অদুদগী পাউতাক লৌরিবনি হায়না নোংমতা খনখিবা লৈতে।

নোংমাইজিং নুমিৎতা মেক্রোনদা পৱার শিন্নরিবা ফ্রেঞ্চ সোসিয়েলিষ্ট লীদর অসিনা মহাক্না শেম্বীরিবা মীওইনা হৌদোক্লিবা নৎত্রগা শৌগৎলিবা লিবরেল রিফোর্মশিংনা মহাকপু মরাই চাইথহনগদৌরিবনি হায়বসিসু খঙখিদে।

মশাগী চহী ৬২ শুরবা ওলান্দ নোংমাইজিং নুমিৎতা ফ্রান্সকী মীয়াম্না খ্বাইদগী পাম্নদবা লীদরশিংগী মনুংদগী অমা ওইনা ওফিস থাদোক্লিবনি। মহাক মীয়াম্না লৈবাক অসিগী সোসল অমসুং ইকনমিক পারেলোসিস পুরকখিবা প্রসিদেন্ট ওইনা উনরকখি।

## ‘ও বি ও আর ইনিসিয়েটিভতা য়াওদ্রিঁঙৈগী মমাঙদা মালেম পুম্বনা বলোচিষ্টানগী ফীভম হান্না খন্নগদবনি’



বর্লিন, মে ১৪ : চাইনাগী ৱান বেল্ট ৱান রোড (ও বি ও আর) ইনিসিয়েটিভতা য়াওনবা হোৎনরিবা লৈবাকশিংদা জর্মনিদগী বালোচ রিপব্লিকান পার্টি (বি আর টি) গী মেম্বর অশ্রাফ শেরজাননা মখা তাবা খোঙকাপ অমত্তা চঙশিন্দ্রিঁঙৈগী মমাঙদা অহানবদা বালেচিষ্টানগী ফীভম খন্নবা পাউতাক পীখ্রে।

‘ঐহাক্না অতৈ লৈবাক পুম্নমক্তা ও বি ও আর প্রোজেক্টতা য়াওদ্রিঁঙৈগী মমাঙদা বালোচিষ্টানগী ফীভম খন্নবীনবা হায়জরি’ হায়না শেরজাননা হায়খি।

ও বি ও আর ইনিসিয়েটিভ অসি চাইনা পাকিস্তান ইকনমিক কোরিদোর (সি পি ঈ সি) গা মরী লৈনৈ হায়বা য়াই হায়না ফোঙদোক্লদুনা শেরজাননা হায়খি, বালেচিষ্টানগী মীয়াম অমসুং লুচিংবশিংনা সি পি ঈ সি প্রোজেক্ট অসি হান্ননা রিজেক্ট তৌখ্রবনি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি মদুদি, সি পি ঈ সি অসি বালোচিষ্টানগী মীয়ামগী অনিংবা অপাম্বা য়েংদুনা পায়খৎকদবা নত্তে তৌইগুম্বসুং পঞ্জাব প্রোভিন্স অমসুং পাকিস্তানগী মীয়ামগী কান্ননবগীদমক্তনি।

বালোচিষ্টানগী মীয়াম্না পাকিস্তান অমসুং চাইনা অসি রিজেক্ট তৌখ্রবনি। মরম অদুনা ঐখোয়না ও বি ও আর ইনিসিয়েটিভ অসিদা য়াওনবা হোৎনরিবা লৈবাকশিংদা ও বি ও আরগা মরী লৈননা মখা তাবা ষ্টেপশিং চঙশিন্দ্রিঁঙৈগী মমাঙদা বালেচিষ্টানগী ফীভম খন্ননবা অমসুং বালোচিষ্টানদা থোক্লিবশিং য়েংশিন্নবা হায়জরি।

সি পি ঈ সিনা মরম ওইদুনা শুপ্পগী চাইনাবু হরাউহন্নবগীদমক্তা পাকিস্তাননা বালোচিষ্টানগী মীশিং হাৎপা হৌখ্রে’ হায়না মহাক্না হায়খি। সি পি ও সিনা মরম ওইদুনা বালোচিষ্টানগী মীয়ামবু পাক্তক্লনা হাৎপগী থবক তপ্পা ঈংনা চথুরি হয়না শেরজাননা মখা তাখি।

মহাকনা চেকশিন্না হায়খি মদুদি, লোইদা লৈরিবা বালোচ লীদরশিংনা সি পি ঈ সিগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌদুনা লাক্লি অমসুং মখোয়না মখা তানা পাকিস্তান অমসুং চাইনাগী মায়োক্তা অসুম্না চথখিগনি।

### নোর্থ কোরিয়ানা অনৌবা মখলগী বলিষ্টিক মিসাইল অমা চাংয়েং তৌখ্রে

## দোনাল্ড ত্রম্পনা পিয়োংয়াংগী মথক্তা অকনবা সেঙ্কসনশিং থম্নবা আপিল তৌখ্রে

সিওল, ৱাশিংটন, মে ১৪ :

খুৎলায় প্রোগ্রাম লেপ্পনবা লাউবা খোল্লাউ কয়াবু থৌশাদবগী মওংদা নোর্থ কোরিয়ানা বলিষ্টিক মিসাইল অমা কাপখ্রে হায়না সাউথ কোরিয়ন অমসুং য়ু এসকী ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে। সাউথ কোরিয়াদা অনৌবা লীদর অমনা ওফিস পায়বা হৌদুনা নোর্থকা দাইলোগ চথনিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখিবা মতুং নুমিৎ শাংনা কান্নদনা বলিষ্টিক মিসাইলগী চাংয়েং অসি পাঙথোকখিবনি।

চৈরকসিদা সাউথকী অনৌবা লিবরেল প্রসিদেন্ট অমসুং য়ু এসপু চাংয়েং তৌবা মানবা খোঙথাং অমা ওইনা নোংমাইজিং নমিৎতা পাঙথোকখিবা বলিষ্টিক মিসাইল চাংয়েং অদুগী মতুংদা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা নোর্থ কোরিয়াগী মায়োক্তা হেন্না কনবা অথিংবশিং থম্ননবা আপিল তৌখ্রে। ‘খ্বাইদগী নৌবা কাইহৌবগী থৌওং অসি লৈবাক খুদিংমক্তা নোর্থ কোরিয়াগী মায়োক্তা য়াম্না হেন্না কনবা অথিংবা কয়া থবক্তা ওন্থোক্লবা লাউবা খোল্লাউ অমা ওইরসনু’ হায়না হ্বাইট হাউসকী অতেনবা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খ্রে।



য়ু এসকী পেসিফিক কম্যান্দনা হায়খি, কাপখিবা মিসাইল অদু করম্বা মখলগীনো হায়বদু চপ চানা লেপথোক্লবা হোৎনরি তৌইগুম্বসুং ‘লোঞ্চ অদু ইন্টরকন্টিনেন্টেল বলিষ্টিক মিসাইল’ অমদি ওইরোই।

জপানিজ দিফেন্স মিনিষ্টর টোমোমি ইনাদানা মিসাইল অদু অনৌবা টাইপ অমা ওইবা য়াই হায়খ্রে।

মিসাইল অদু কিলোমিটর ৭০০ হেন্না পাইরবা মতুংদা সি ওফ জপান (ইষ্ট সি) দা তাশিনখি। মিসাইলনা তাশিনবগী শাফু অদু রসিয়ন সোইলগা অদুক্কী মতিক নক্পনা ফাওখি মদুদি রসিয়ানা মদুদা হরাউরমগনি হায়না প্রসিদেন্টনা (ত্রম্পনা) নিংদে’ হায়না হ্বাইট হাউসকী ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি।

ত্রম্পকী নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজর এচ আর মেকমাষ্টরনা ফীভম অদু খন্ননবা জপান অমসুং সাউথ কোরিয়াগী মহাক্কী লেঙমান্নবশিংগা ফোনদা ৱারী শানখি।

য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ৱাশক লৌখিবা সাউথ কোরিয়াগী অনৌবা প্রসিদেন্টনা নেসনল সিক্যুরিটিগী এদভাইজরশিংগা ইমরজেন্সি মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা মিসাইল চাংয়েং অদু অঙম-অরাই খঙদবা কাইহৌবগী থৌওং অমনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

কোরিয়ন পেনিন্সুলা অমসুং ইন্টরনেসনল কম্যুনিটিগী পিছ অমসুং সিক্যুরিটিদা কন্না শিংনবগী থৌওং সিওলনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই হায়না প্রসিদেন্ট মূন জে-ইননা হায়খি।

মহাক্কী মমাঙদা লৈখিবা প্রসিদেন্টশিংগা মান্নদবা অমনা মূননা পিয়োংয়াংগা শন্দাইনবগী ৱাফম শৌগৎলি, তৌইগুম্বসুং মিসাইল চাংয়েং অদুগী মতুংদা মহাক্না নোর্থকী ৱাখলদা অহোংবা লাক্লবা মতমদদা দাইলোগ চথবা য়াগনি হায়খি।

য়ু সি এস গ্লোবেল সিক্যুরিটি প্রোগ্রামগী কো-দিরেক্টর অমসুং মিসাইল এক্সপার্ট দেভিদ রাইটনা হায়খি, মিসাইল অদু ষ্টেন্দার্দ ত্রাজেক্টরি অমদা কাপখিবা ওইরবদি মদু কিলোমিটর ৪,৫০০ রোমগী মেক্সিমম রেঞ্জ লৈরম্বা য়াই।

সিওলদা লৈবা ক্যুংনাম য়ুনিভর্সিটিগী ইন্সটিট্যুট ওফ ফার ইষ্টর্ন ষ্টদিজগী কিম দোং-য়ুবনা হায়খি, ষ্টেন্দার্দ ত্রাজেক্টরি অমদা কাপ্পা মতমদা মিসাইল অদু কিলোমিটর ৬,০০০ ফাওবা শানবা য়াই হায়বদি মদু য়ু এসকী হাৱাইঈ ফাওবা য়ৌবা ঙমগনি হায়না মহাক্না পায়।

ইন্টরকন্টিনেন্টেল বলিষ্টিক মিসাইল অমগী রেঞ্জ কিলোমিটর ৬,০০০ হেন্না লৈগদবনি হায়না লৌনৈ।

## নেপালদা চহী ২০ গী মনুংদা পাঙথোকপা অহানবা লোকেল মীখলদা মীয়াম্না ভোট থাদনখ্রে

কঠমন্দু, মে ১৪ : চহী ২০ গী মনুংদা পাঙথোকপা নেপালগী অহানবা লোকেল ইলেক্সনদা মীয়াম্না নোংমাইজিং নুমিৎতা ভোট থাদনখ্রে। মীয়াম্না ভোট থাদনরিবা অসি লৈবাক অসিনা অরুবা থৌদোক ৱাথোক কয়াগা ঈরোয়ননা দিমোক্রেসিদা খোঙদারকপগী খ্বাইদগী মরু ওইবা পুংফমনি হায়না লৌনরি।

ম্যুনিসিপালিটি ২৮০ গী মেয়র, দেপ্যুট মেয়র, ৱার্দ চেয়রমেন অমসুং ৱার্দ মেম্বরগী ফমশিংগীদমক্তা কেন্দিদেট ৫০,০০০ রোম্না লম্বা তৌনরিবা মীখল অদুদা লোকেল মতমদা অয়ুক্কী পুং ৭:০০ তাবা মতমদা প্রোভিন্স অহুমদা ভোট থাদনবা হৌখি।

অপুনবা মীশিংগী চাদা ৭০ রোম চহী ৩৫ গী মখাদা লৈবগা লোয়ননা ভোটর কয়ানা অহানবা ওইনা মখোয়গী লোকেল রিপ্রজেন্টেটিভশিং খল্লিবনি।

লোকেল রিপ্রজেন্টেটিভশিং মমাঙদা কুমজা ১৯৯৭ তা মীখল পাঙথোক্নুনা



খনখি অমসুং মখোয়গী চহী মঙাগী টামশিং অদু শাথিরবা মাওইষ্ট লালহৌবা কল্লিঁঙৈ মতমদা লোইশিনখি।

চহী ১০ গী লাল অমা কুমজা ২০০৬ তা লোইশিনখি অমসুং লৈবাক অসি হিন্দু মোনার্কি অমা ওইরম্বদগী ঈরাং কয়াগা লোয়ননা সেক্যুলর ফেদরেল রিপব্লিক অমা ওল্লকখি। গভর্ণমেন্ট মাপনগী খুত্থাংদা হান্নগী হিন্দু কিংদম অসি সেক্যুলর ফেদরেল রিপব্লিক অমা ওল্লকখিবনি।

মীখল পাঙথোকপদা মতম শাংনা গেপ লৈবদগী লোকেল লেভেলদা ইন্সটিট্যুসনগী ওইবা অহোবা লৈবা উখি। কুমজা ২০১৫ গী শাথিরবা য়ুহা হাবনসু ফীভম অসিদা চাউনা মতেং পাংশিনখি।

কেপিটেল কথমন্দুগী পোলিং ষ্টেসনশিংগী মপানদা মীয়াম্না অঙনবদা ক্যু শাংনা লেপ্পখি। ভোটরশিংনা কল্লবা নুংশাগী মৈশা মরক্তা ছাটিনশিংগী মরুমদা ভোট থাদনবা মখোয় মখোয়গী মতম খৌরাংনা ঙাইনখি। খ্বাইদগী চাউবা কন্সটিট্যুএন্সিশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা কেপিটেলগী বেলোট পেপর অদু কেন্দিদেট ৮৭৮ গী মমিংশিং চন্নবা মিটর অমরোম শাংখি।

## অমেরিকাদা হিজাবনা মকোক, মরেংবান কূপশিনবী নুপী অমা বেঙ্কতগী নম্ফুদা তান্থোকখ্রে

ন্যু য়োর্ক, মে ১৪ :

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা মুস্লিম-অমেরিকান নুপী অমা হিজাবনা মকোক্কী শরুকশিং কূপশিন-বগীদমক্তা বেঙ্ক অমদগী নম্ফুদা থোকহনখ্রে। বেঙ্ক অদুগী ষ্টাফনা করিগুম্বা নুপী অদুনা মমায়দমক ফাৎপা মকোক অমসুং মঙকশম অপুম্বা কূপশিল্লিবা ফিজোল অদু লৌথোক্ত্রবদি পুলিস কৌগনি হায়না কিহনখি হায়রি।

জমেলা মোহামদ কৌবী নুপী অদু ইরাই নুমিৎতা ৱাশিংটন ষ্টেটতা লৈবা সাউন্দ ক্রেদিট য়ুনিয়নগী ব্রাঞ্চ অমদা কারগী শেল থিনবগীদমক্তা চৎখি।

ক্রেদিট য়ুনিয়নগী মেম্বর অমসু ওইরিবা অমেরিকান সিটিজন জমেলানা থৌদোক অদুগী শরুক খরা মহাক্কী মোবাইলদা রেকোর্দ তৌশিনখি। মদু মহাকপু ইফোং ফোংনা খেন্নবা মিৎয়েংনা য়েংবগী থৌওং অমনি হায়না মহাক্না ক্লেম তৌখি।

মহাক্না হায়খি মদুদি, মহাক্না স্বিটর অমা লিংখি অমসুং মুস্লিমশিংনা নুংথিলদা চয়োলগী ওইনা লাই খুরুম্নবা নুমিৎ ইরাই নুমিৎ ওইবনা মহাক্না হুদ শিজিন্নখিবনি।

বেঙ্ককী টেলর অদুনা জমেলাদা মহাক্কী হুদতু লৌথোক্লবা হায়খি।

ক্রেদিট য়ুনিয়নগী মনুংদা থেৎপা সাইন অমনা হুদশিং অমসুং সনগ্লাসশিং শিজিন্নবা য়ারোই হায়না অপাবশিংদা খঙহল্লি হায়রি।


FREE 3 MONTHS TRAINING COURSE FEE WITH DRESS
ꯃꯤꯄꯥꯏꯕ ꯃꯇꯦꯡ
100% JOB ASSISTANCE

| Sl. | Course Available | Qualification | Ages |
|---|---|---|---|
| 1. | S.S. Selling Skills | Graduate | 18 to 30 yrs. |
| 2. | O.A. Office Administration | Graduate | 18 to 30 yrs. |
| 3. | R.S. Retail Sales | Graduate | 18 to 30 yrs. |
| 4. | W.D. Web Designing | X to XII | 18 to 30 yrs. |
| 5. | R.C.O. Retail Cafe Operations | X to XII | 18 to 30 yrs. |
| 6. | E.H.A. Electrical & Home Appliances Repair | X to XII | 18 to 30 yrs. |
| 7. | R.A.C. Refrigerator and A.C. Repair | X to XII | 18 to 30 yrs. |
| 8. | P & M Pumps and Motor Repair | X to XII | 18 to 30 yrs. |
| 9. | C.A.C. Central Air Conditioning | X to XII | 18 to 30 yrs. |
| 10. | P.A.T. Paint Application Techniques | X to XII | 18 to 30 yrs. |
| 11. | T.M. Tractor Mechanic | X to XII | 18 to 30 yrs. |
| 12. | L.A.D.C Lab Assistant at Diagnostic Centre | X to XII | 18 to 30 yrs. |
| 13. | T.W.S.I Two or three wheeler Service Technician | X to XII | 18 to 30 yrs. |

URGENT JOB VACANCIES
For Ex-Servicement & Freshers

| Sl. | Name of Post | Ages | Salary |
|---|---|---|---|
| 1. | Security Guard | upto 50 years | 13000 & above |
| 2. | Security Supervisor/Gun Man | upto 50 years | 14500 & above |
| 3. | Security Officer/Assistant Security Officer | upto 50 years | 16000 & above |
| 4. | Training Instructor | upto 50 years | 18000 to 30000 |
| 5. | Driver | upto 50 years | 13000 & above |

MULTIPLE JOB VACANCIES

| Sl. | Name of Post | Qualification | Salary |
|---|---|---|---|
| 1. | Home Tutor | XII & above | Negotiable |
| 2. | Driver | VIII & X passed | 6000 to 13000 |
| 3. | Attendant/Receptionist | X & XII above | 4000 & above |
| 4. | Cook/House keeping | VIII & above | 6000 to 12000 |
| 5. | Security Supervisor | XII passed | 6000 to 12000 |
| 6. | Security Guard | VIII & above | 5000 to 9000 |

Last date of form submission: 18/05/2017
Interview Date : 19/05/2017
Office Hour : 9:30 A.M.- 4 P.M.
For more details Please contact :
☎ 8794829055 / 7424017313
LIFE CARE JOB CONSULTANCY
SAGOLBAND SALAM LEIKAI
HL-P/0195/9-16 May





HL-P/1591/15



HL-B/3834/27/04-27/05


## ꯃꯤꯄꯥꯏꯕ ꯃꯇꯦꯡ/EMPLOYMENT NEWS

**SSCKKR Recruitment – 183 Junior Engineer, Assistant Legal Vacancy – Last Date 07 June 2017**

**SSCKKR Recruitment 2017**

SSC Karnataka-Kerala Region invites application for the post of 183 Junior Engineer, Assistant (Legal) & Various Vacancy. Apply Online before 07 June 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

Advt No. : KKR-1/2017

**SSCKKR Job Details :**

Post Name : Junior Engineer
No. of Vacancy : 106 Posts
Pay Scale : Rs. 9300-34800/-
Grade ³Pay : Rs.4200/-
Post Name : Assistant (Legal)
No. of Vacancy : 03 Posts
Pay Scale : Rs.9300-34800/-
Grade Pay : Rs.4600/-

**Eligibility Criteria for SSCKKR Recruitment :**
Educational Qualification :

For Junior Engineer : Bachelor's Degree in science with one of the subjects at Graduate Level viz., physics, Computer Science, Electronics from a recognised University OR Diploma in Engineering or Technology in one of the disciplines viz., Electronics, Electrical, Computers, Information Technology, Electronics & Telecommunication from a recognised University or State Board or Technical Education and One Year experience in Production or Development or Quality Assurance in the fields of Electrical or Electronics or Computer from a recognised Organisation or Undertaking.

For Assistant (Legal) : Bachelors Degree in Law of a recognised University established or incorporated by or under a Central Act or Provincial Act, or a State Act, or any institution.

Age Limit : Maximum age limit is 30 years As on 07.06.2017

**Job Location : Bangalore (Karnataka)**

**Application Fee for SSCKKR :** Candidates have to pay Rs.100/- through SBI Net-Banking/Credit Cards/Debit Cards" or through SBI Challan. All Women candidates and candidates belonging to Scheduled Caste, Scheduled Tribe, Physically Handicapped and Ex-Servicemen, eligible for reservation, are exempted from paying application fee.

**How to Apply SSCKKR Vacancy :** Interested Candidate may apply Online through the website http://ssconline.nic.in on or before 07.06.2017. candidate may also send Hard copy of Online application and attach self-attested copies of Certificates/documents in support of age, Essential Qualifications, Experience, where it is prescribed as Essential Qualification, proof of Caste/Category [SC/ST/OBC/PH(PWD) send to The Regional Director, Staff Selection Commission, Karnataka Kerala Region, 1 st Floor „E? Wing, Kendriya Sadan, Koramangala, Bangalore within ten days from the closing date.

**Important Dates of SSCKKR Opening :**
Last Date for Submission of Online Application : 07.06.2017
Last Date for Submission of Hard Copy of Online Application : within ten days from the closing date

**Important Links :**
Details Advertisement Link : http://www.ssc-cr.org/noticeboard/Final%20-Notice%20Phase-IV%20(KKR).pdf
**Apply Online :** http://ssconline.nic.in/

**Join Indian Army Recruitment – Territorial Army Officers Vacancy – Last Date 30 June 2017**

**Join Indian Army Recruitment**

Indian Army invites Application for the post of Territorial Army Officers. Apply before 30 June 2017. Qualification/ eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

**Indian Army Details :**

Post Name : Territorial Army Officers
No. of Vacancy : Not Specified
Pay Scale : Not Specified

**Eligibility Criteria for Indian Army Recruitment :**
Educational Qualification : Graduate from any recognized university.
Age Limit : Minimum and Maximum age limit is 18 to 42 years (as on 01.06.2017)

**Job Location : New Delhi**

**Selection Process :** Selection will be based on Written Exam & Interview.

**Application fee :** Candidates have to pay Rs. 200/- through Online.

**How to Apply Indian Army Apply :** Interested Candidates may apply online through the website www.joinindian army.nic.in on or before 30.06.2017

**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application : 01.06.2017
Last Date for Submission of Online Application : 30.06.2017
Date of Exam : 30.07.2017

**Important Links :**
Detail Advertisement Link : https://indianarmy.nic.in/writereaddata/documents/TA%20Comm%20advt%20050517%20-%20for%20online.pdf
**Apply Online :** http://www.joinindianarmy.nic.in/